# মিরাবাই চনু পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক ত্রেনিং হৌখ্রে



**পেরিস, ২৪(এজেন্সী):** কুমজা ২০২১দা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল লৌরকখ্রবী মিরাবাই চনু পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪ মাঙওইননা ফ্রান্সতা ত্রেনিং হৌখ্রে।

মিরাবাই চনুনা ত্রেনিং তৌরিবা অসি ওলিম্পিক্স গেম হৌগদবা নুমিৎ নীনি খক্তা ঙাইরবা মতমদনি। মশাগী চহী ২৯ শুরবা ৱেঠ লিফ্টর মিরাবাই চনুনা মহাক্কী ত্রেনিং অসি ফ্রান্সতা লৈবা লা ফর্টে মিলনদা তৌখিবনি। ঙরাং য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর মনসুখ মন্দাভিয়ানা মিরাবাই চনুনা ত্রেনিং তৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ভিদিও অমা স্যের তৌরদুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা লৈবাক অসিগীদমক 'চীর ৪ ভারত' হসতেগ তৌনবা খনহনখি।

পনবা য়াবদি, মিরাবাই চনু কুমজা ২০২১গী টোকিও ওলিম্পিক্সতা কেজি ৪৯ কেটিগোরিদা সিলভর মেদল ফংদুনা ওলিম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱেঠ লিফটর শান্নরোয় ওইখিবনি। মহাক্না মায় পাক্না ক্লিন এন্দ জর্ক কেটিগোরিদা কিলো ১১৫ থাঙ্গৎতুনা মহাক্কী ওলিম্পিক রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি। টোকিও ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখিবা মিরাবাই চনু মথং থাগী ৭তা কেজি ৪৯গী কেটিগোরিদা মহাক্কী পার্ফোমেন্স উৎকনি।

পেরিস ওলিম্পিক্স জনির্গীদমক থা অসিগী ২৫দগী ইন্দিয়ান কন্টিজেন্টনা পেরিসতা চৎপা হৌরগনি। ইভেন্ট ১৬তা শরুক য়ানবগীদমক এথলিট ১১২না পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক খোঙশাল্লগনি।

পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস অসিদা নিরজ চোপ্রানা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৯না শাবা এথলিট টিম লুচিংগনি। কন্টিঞ্জেন্ট অসিদা মীওই ২১না শাবা শুটিং কন্টিঞ্জেন্ট অমা পেরিস ওলিম্পিক্সতা থাবা অসিনা ইন্দিয়ানা থাবা খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা টিম ওইরগনি।

পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪দা ইন্দিয়াগী ওইনা আর্চরি, এথলেটিক্স, বেদমিন্টন, বোক্সিং, ইক্বেষ্টেরিয়ান, গোল্ফ, হোক্কি, জুদো, রোৱিং, সেলিং, শুটিং, স্বিম্মিং, টেবল টেনিস অমসুং টেনিস য়াওনা মশান্না ১৬তা শরুক য়াগনি।

# অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং মায় পাকপা ঙম্লক্কদ্রা হায়না মীৎয়েং থম্নরি



**ন্যু দিল্লি, ২৪ (এজেন্সী):** পেরিস ওলিম্পিক্স-২০২৪ হৌগদবা মতম খরতং ঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জাসিদা ইন্দিয়ানা নিরজ চোপ্রা, সটৱিক চিরাগ অমসুং নিখট জরীনদা অচৌবা মঙলান কয়া থল্লদুনা মখোয়না ইন্দিয়াগী মেদল লৌরক্কনি পানরবসু ওলিম্পিক্স গেম অসিদা অনৌবা ওইনা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং মমিং ওইনা পল্লবদা ধিরাজ বোম্মাদেভরা, অন্টিম পাংহল, সিফ্ট কোর সমরা, স্রিজা অকুলানা লৈবাক অসিগী ওইনা মেদল লৌরকপা ঙমগদ্রা হায়না মীৎয়েং থম্নরি।

অহানবা ওইনা শুটিং মশান্নদা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদৌরিবা সিফ্ট কোর সমরা এসিয়ান গেম্সকী শুটিং মশান্নগী নুপীগী ৫০ মিটর রাইফল ৩ পোজিসনদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর ওইখি।

মশাগী চহী ১৯ শুবতা ঙাইরিবা হায়দ্রবাদতগী পিষ্টোল শুটর ইশা সিংহসু মেদল অমা লৌরক্কনি হায়বগী অশা তৌনরি। মশাগী চহী নৌরবসু মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা হাংজৌ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিভিজুএল কেটিগোরিদা সিলভর মেদল ফংবগা লোয়ননা টিম কেটিগোরিদনা গোল্ড ফংবা ঙমখিবনি।

আর্চরি মশান্নদা মশাগী চহী ২৩ শুরবা ধিরাজ বোম্মাদেভরানা এসিয়ন ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখি। শান্নরোয় অসি হৌখিবা নভেম্বরদা আর্চেরি কন্টিনেন্টেল ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী ইন্দিভিজুএল কেটিগোরিদা পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক লৈবাক অসিগী ইহান হান্না ক্বোটা ফংলবা শান্নরোয় অমনি।

বোক্সিং মশান্নগী ওইনা প্রিটি সাই পৱার ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা বন্তমৱেথ কেটিগোরিদা শরুক য়াদুনা শান্নগনি। শান্নরোয় অসি হাংজৌ এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা হন্দক্কী পেরিস ওলিম্পিক্স গেম অসিদা শরুক য়াবা ফংখিবনি।

ধিনিধি দেসিঙহু পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স গেমদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান কন্টিঞ্জেন্টকী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা শান্নরোয় অমনি। মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোয় অসি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমস অমসুং সেনিয়র নেসনল চেম্পিয়ন্সিপদা মেদল অনী ফংদুনা ইন্দিয়ান ফিমেল স্বিম্মরদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মহাক অসি হন্দক্কী ওলিম্পিক্স গেমসতা ২০০ মিটর ফ্রী ষ্টাইলদা শরুক য়াগদবনি।

রেষ্টলিং মশান্নগী রীটিকা হূদা নুপীগী কেজি ৭৬ কাঙলুপ্তা শান্নবগা লোয়ননা মশান্না অসিদা ওলিম্পিক গেমসকী কোটা ফংখিবা অহানবা শান্নরোয়নি।

কম্মনৱেলঠ গেমসকী মিক্স দবলসতা টেবল টেনিস মশান্নদা গোল্ড মেদল ফংখিবা স্রিজা অকুলাসু পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস অসিদা মেদল লৌরকপা য়াই হায়না থাজবা থম্নরি।

## ২শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ইষ্ট জোন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৪

# মণিপুর হোক্কিনা হোক্কি বিহারবু পাঞ্জল ৭-১দা থোইখ্রে



**গুৱাহাটি, জুলাই ২৪(এজেন্সী):** গুৱাহাটিগী মৌলানা এম দি টয়াবুলাহ হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌদুনা চত্থরিবা অনীশুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন এন্দ ৱুমন ইষ্ট জোন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৪গী শান্নখিবা নুপাগী মেটচতা মণিপুর হোক্কিনা হোক্কি বিহারবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৭-১দা থোইখ্রে।

মায় পাক্লবা মণিপুর হোক্কিগী পাঞ্জলশিং অদু অকোইজম মালেমঙানবনা মেটচকী মিনিট ৬তা অমা, নিসি সাইখোমনা ৩৩শুবা মিনিটতা অমা, গেরিক নিঙোম্বমনা ৪০শুবা মিনিটতা অমা, লাইশ্রম মেক্সনা ৪৮ অমসুং ৫০শুবা মিনিটতা অনী, লম্বোইবা ওক্রমনা ৫১শুবা মিনিটতা অমা, অথোকপম মিলননা মেটচকী ৫৬শুবা মিনিটতা অমা চনখি। হোক্কি বিহারগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু নবিন নিখিল কুমারনা মেটচকী মিনিট ৪৬তা চনবা ঙমখিবনি।

নুপাগী অতোপ্পা মেটচ অমদা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষানা হোক্কি বেঙ্গলবু ১৩-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষাগী গোলশিং অদু সলমান লক্রানা মেটচকী ২ অমসুং ২৭শুবা মিনিটতা অনী, মন্দিপ করকেটনা মেটচকী ২০, ২১, ৩৫, ৫৪ অমসুং ৫৭তা পাঞ্জল মঙা, অর্মান সোরেংনা মেটচকী ৩৩শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা, রঞ্জিৎ করকেটানা মেটচকী ৩৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা, সঞ্জিত রাজ লক্রানা মেটচকী ৪১ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা, সুবোদ লক্রানা মেটচকী ৪৫ অমসুং ৫২শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী অমসুং লেসলান মিন্জনা মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেটচতা হোক্কি ঝরখন্দনা অসাম হোক্কিবু ১৮-০দা য়াম্না লাকচনবা থোইখি।

মায় পাক্লবা হোক্কি ধরখন্দগী পাঞ্জলশিং অদু সন্দিপা কুমারনা মেটচকী ৩, ১৬ অমসুং ৩৪ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অহুম, পুসপা মনঝিনা মেটচকী ৮, ১১ অমসুং ৫৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অহুম, পুসপা দাংনা মেটচকী ১২ অমসুং ২২শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী, সুসমিতা গুরিয়ানা মিনিট ১৪, ৪৭, ৪৯ অমসুং ৫৭তা পাঞ্জল মরি, শ্রুটি কুমারনা মিনিট ২৩, ২৮ অমসুং ৪২দা পাঞ্জল অহুম, সিৱানি করকেটানা ৪৪শুবা মিনিটতা অমা, রেজিনা কুল্লুনা ৪৬শুবা মিনিটতা অমা অমদি অনকিতা লক্রানা মেটচকী ৫৮শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা মেটচতা হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষানা হোক্কি বেঙ্গলবু পাঞ্জল ১৫-০দা থোইখি। হোক্কি এসোসিএসন ওফ ওড়িষাগী অসিকানা পাঞ্জল ২, ইলেনানা পাঞ্জল ১, প্রিয়াঙ্কানা পাঞ্জল ৫, সোনিমানা পাঞ্জল ৩, সজানা কুজুরনা পাঞ্জল ১, সজানা কিরোনা পাঞ্জল ২, স্বিটিনা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি।

## ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচএন এস):** আই জি এল আর(সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা আসাম রাইফলসনা শীন্দুনা লোকল য়ুঠশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা চুড়াচান্দপুর জিলাগী টুইরিং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। 'হেলডি মাইন্দ রিসাইদক ইন এ হেলডি বোদি' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা মেটচ অদু নহাশিংদা মশা মউ ফনা হিংবা অমসুং আসাম রাইফলসতা চঙবদা হেন্না খুদোংচাবা ফংনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী খুঞ্জাশিংদা ভোল্লিবোল সেট অনীসু পীখি।

# খেলো ইন্দিয়ানা স্পোর্ট বদজেট এল্লোকেসন খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ওইরে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):** য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথরমননা লাউথোকখিবা য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৫দা ইন্দিয়াগী ফ্লেগশিপ স্পোর্টস ইনিসিএটিব অমা ওইরিবা খেলো ইন্দিয়ানা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী এল্লোকেসনদা খ্বাইদগী টোপ বেনিফিসরিশিংগী মনুংদা অমা ওইরে।

গ্রাসরূট স্পোর্টস হেন্না মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা স্পোর্টইনিসিএটিব অসিনা অপুনবা স্পোর্টকী বজেট ক্রোর ৩,৪৪২ হেনবদা খেল্লো ইন্দিয়াগী ওইনা ক্রোর ৯০০ কায়থোক্তুনা থমখ্রে হায়রি। খেল্লো ইন্দিয়া অসি লৈবাক শীনবা থুংনা গ্রাসরূট লেভেলদা স্পোর্টস চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা পুথোকখিবা থৌশিল অমনি। মসিনা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী টেলেন্ট অমসুং লৈবাক শীনবা থুংনা স্পোর্টিং ইনফ্রাষ্ট্রক্চর পাকথোক চাওথোকহনবদা প্রাইওরিটি পীরি।

খেল্লো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস অসি কুমজা ২০১৮দা লৈবাক অসিদা হৌদোকখ্রবা মতুংদগী লৈঙাক্লা অহেনবা থবক থৌরমশিং হাপচিন্দুনা লাক্লি। স্পোর্ট মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০২০দা খোল্লো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস হাপচিনখ্রে অমসুং চহী অসিদা খোল্লো ইন্দিয়া ৱিন্টর গেমস হৌদোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৩দা খেল্লো ইন্দিয়া পেরা গেমসসু হাপচিনখি।


## OFFICE OF THE PRINCIPAL
## KUMBI COLLEGE, KUMBI : MANIPUR
(Govt. Aided)

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

No. KC/51/Elec-(GB)/2024/1126 23/07/2024

Applications are invited from willing local educationists for nomination of two educationists to the formation/constitution of Governing Body, Kumbi College, Kumbi, Manipur for a term of three years (2024-27). The applicants are requested to submit their bio-data with supporting documents and 3 (three) recent passport size photographs to the undersigned on or before the 9th August, 2024.

**Sd/- Ch. Modhumangol Singh**
Principal,
Kumbi College, Kumbi, Manipur.

HL-P/666/25,26

## OFFICE OF THE PRINCIPAL
## KUMBI COLLEGE, KUMBI : MANIPUR
(Govt. Aided)

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / ELECTION NOTICE**

No. KC/51/Elec-(GB)/2024/1125 23/07/2024

Applications in plain paper are invited from willing guardian/parents of BA/ BSc students reading in Kumbi College, Kumbi in the academic session 2024-25 for election of two guardian representatives to the formation/ constitution of Governing Body, Kumbi College, Kumbi for a term of three years (2024-27).

Details of the election are given below:

1. Last Date of Submission of Application Forms : 09/08/2024
2. Date of Scrutiny : 16/08/2024
3. Date of Withdrawal : 19/08/2024
4. Date of Election : 23/08/2024

Time

Election : 10:00 a.m. - 01:00 p.m.
Counting : 02:00 p.m. - 03:00 p.m.

**Sd/- Ch. Modhumangol Singh**
Principal,
Kumbi College, Kumbi, Manipur.

HL-P/667/25,26

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 275/SDC/Hng/IE/2024**

Thambalngou W/o Saokad Ali of Kairang Mayai Leikai. - Petitioner
-Versus-
(L) Saokad Ali S/o Md. Babu of Kairang Mayai Leikai - O.P.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
Dated 24-7-2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং 15-Kairang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং 136 অনৌবা পাট্টা নং 329/698, দাগ নং 1144/1356, এরিয়া .07 একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Heingang গী কোর্টতা দরখাস্ত থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/669/25

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref. :- Mutation Case No. 267/SDC/IW-L/2024**

1) Maibam Bimola Devi D/o M. Kullachandra of Tera Sapam Leirak Nongmaithem Leikai.
2) -do- Landhoni Devi W/o N. Sanatomba of Singjamei Wangma Pebiya Pandit Leikai.
3) Maibam Nungshitombi Devi W/o Ahanthem Norendro Singh of Pishumthong Oinam Leikai.
4) -do- Sorgaya Devi C/o Meinam Robindro Singh of Kwakeithel Nganapithong Mapal
5) -do- Nabachandra Singh S/o Kullachandra Singh of Kwakeithel Laishram Leikai. -Petitioners

-Vs-

Late Maibam Kullachandra Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Kwakeithel Laishram Leikai.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
22/7/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মাইবম কুল্লাচন্দ্রা সিংহ পীতা মৃ: ইবোমচা সিংহ সাং ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুমলৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৩৭, দাগ নং ৫৮, ৬৮, এরিয়া ০.৫৬, ১.১২ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাস্ত থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
IW:Lamsang

HL-P/665/25

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref. :- Mutation Case No. 265/SDC/IW-L/2024**

1) Mayengbam Bhubonchandra Singh S/o (L) Bimolchandra Singh of Keishamthong Elangbam Leikai.
2) -do- Hemanta Singh S/o (L) -do- of -do-
3) Purnachandra Singh S/o (L) -do- of -do-
4) -do- Gobinchandra Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vs-

Late Mayengbam Bimolchandra Singh S/o (L) Ibungohal Singh of Elangbam Leikai. -OP/party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
18/7/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ময়েংবম বিমোলচন্দ্রা সিংহ পীতা মৃ: ইবুংঙোহল সিংহ সাং এলাংবম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৩-লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩০/৩৪৩, দাগ নং ১১০৪/১১৯২, এরিয়া ২.৪৭৯৯০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাস্ত থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
IW:Lamsang

HL-P/665/25

Ministry of Information and Broadcasting
Government of India

55th International Film Festival of India, Goa
20th-28th November, 2024

## 55th INTERNATIONAL FILM FESTIVAL OF INDIA, Goa

# CALL FOR ENTRIES for INDIAN PANORAMA, 2024

**Feature & Non-Feature Films**

**Eligibility**

Film certification by Central Board of Film Certification (CBFC) or Completion of Production should be between 1st August, 2023 to 31st July, 2024.

All films must carry English subtitles.

**Last date for submission of ONLINE applications is 12th August, 2024 till 6 P.M**

**For Regulations and Entry Form please visit:**
**www.nfdcindia.com / www.iffigoa.org**

Indian Panorama, 2024
National Film Development Corporation
Ministry of Information and Broadcasting
Government of India
NFDC - FD Complex
1st Floor, Old Building
24, Dr. Gopalrao Deshmukh Marg, Mumbai 400 026, Maharashtra
Tel: 022 2353 3275/2083 0471
Email: indianpanorama@nfdcindia.com

dbc 22201/11/0003/2425

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT

**CONGRATULATIONS**
**3 STUDENTS CLEARED**
**JEE ADVANCED (IIT)-2024**



S CHINGKHEINGANBA, S/o : S. MEGHA SINGH & S SUMILA, KHANGABOK MAYAI LEIKAI, AIR CATEGORY RANK- 4767
NINGTHOUJAM SUSHIL, S/o : N. INGO & N. SANDHYARANI, KOUTRUK, AIR CATEGORY RANK- 2226
NAOREM ROHIT SINGH, S/o : N. RAMESHWAR & N. ROMINA, KAKCHING PAJI LEIKAI, AIR CATEGORY RANK- 4782

**REGISTRATIONS OPEN FOR 8 MONTHS INTENSIVE PRACTICE SESSIONS FOR JEE & NEET**

**COMMENCING FROM 1st SEPTEMBER 2024**

**ELIGIBLITY:**
1. CLASS 11th & 12th( Only those who have completed NCERT)
2. CLASS 12th PASSED

**COURSE HIGHLIGHTS**
* CHAPTER WISE SYNOPSIS * INTENSE CHAPTER WISE PRACTICE
* WEEKLY TESTS * 15 MOCK TESTS * STUDY MATERIALS (30 Books)

For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-B/8909/11/7-18/8(alt)

Office of the
**MANIPUR RENEWABLE ENERGY DEVELOPMENT AGENCY (MANIREDA)**
*(An Autonomous Govt. Agency under the Deptt. of Power)*
2nd Floor South Block Secured Office Complex, A.T. Line, Near Hotel Imphal, Imphal – 795001

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE INVITING BID**
No.: 1/BIOGAS/2023-24/MANIREDA dtd. 22/07/2024

Online Tenders are invited from prospective bidders having requisite qualifications and credentials for the following work for :

| | Item Description | Qty. | Tender Fee | EMD | Period of completion |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | **ITEM 1:** Design, manufacture, supply, installation & commissioning of 1 - 2 CUM capacity HDPE/PVC/FRP material based pre-fabricated KVIC Design Floating Type Bio-gas Plant throughout the State of Manipur on turn-key basis as per detailed technical specifications mentioned at CHAPTER VI of NIB including Warranty / Guarantee and Post-installation Maintenance Contract for 5 (Five) years from the date of commissioning. | 150 (One hundred fifty) nos. | Rs. 1000/- (Rupees one thousand) only | **Rs.1,50,000/-** (Rupees One lakh) Fifty Thousand only | Six months from the date of issue of Letter of Award (LoA) |

| Date & Time for Pre-Bid Meeting | Last date & time for submission of E-Tender | Last date & time for opening of E-Tender |
|---|---|---|
| 30/07/2024 at 11.00 a.m | 12/08/2024 upto 12.00 Noon | 12/08/2024 at 2.00 p.m. |

Tender Document can be downloaded from the websites; www.manipurtenders.gov.in or www.manireda.mn.gov.in. Bidders have to submit the Hard copies of Bid at the office of MANIREDA.

N.B.: MANIREDA reserves the right to modify/ cancel the Tender without assigning any reason thereof or without bearing any liability, whatsoever, consequent upon such decision.

Sd/- N. Praveen Singh
Director, MANIREDA

HL-B/8949/25